# টি কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি : এফ সী তেন্থানা য়ু জি সী লৈশাংথেম মায়থীবা পীখ্রে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫(ঐচ এন এস):** তেন্থা খোংবাল ৱেলফেয়র এসোসিএশন (টি কে দব্লিয়ু এ)না শীন্দুনা টিম ৪০না গ্রুপ ৮ থোক্লা খায়দোক্তুনা তেন্থাগী মল্টিপ্লেক্স প্লেগ্রাউন্দদা হৌখিবা চহী ২০২৩গী এপ্রিল ১৭তগী হৌদোকখিবা টি কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি ২০২৩ লৈবাক্কী ওইবা ঈরাংনা মরম ওইদুনা মতম শাংনা য়েথোক্তুনা লাকখ্রবা মতুং ঙসিদগী অমুক হন্না শান্নবা হৌখ্রে। ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ৱাই ভি এ ৱাংজিং অমসুং থৌবাল এফ সী ড্রো চংখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা এফ সী তেন্থানা য়ু জি সী লৈশাংথেম মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেটচ ওইনা ৱাই ভি এ ৱাংজিং অমসুং থৌবাল এফ সীগী মরক্তা শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ৯ শুবা মিনটতা ৱাই ভি এগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৪ অভিনাশনা মেটচ অদুগী অমদি মখোয়গী টিমগী ওইবা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ৱাই ভি এনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু নাকল অনীমক্না মখা তানা অদুম্মক হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৩০ শুবা মিনটতা থৌবাল এফ সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৪ রিশিনা ইক্বেলাইজর ওইরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মখা তানা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ১-১দা ড্রো চংখিবনি।

অমরোমদা, এফ সী তেন্থা অমসুং য়ু জি সী লৈশাংথেমগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদা এফ সী তেন্থাগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ৩শুবা মিনটতা এফ সী তেন্থাগী এম অনিলনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ১৬শুবা মিনটতা য়ু জি সী লৈশাংথেমগী অফসাজিৎনা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা ১-১দা মান্ননা লৈখি। য়ু জি সীগী ওইনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙম্বগী হরাউবা ফোঙদোকপা লোইদ্রিঙৈ থংনবা ১৭শুবা মিনটতা এফ সী তেন্থাগী ওইনা পেনাল্টি কাওনবগী খূদোংচাবা অমা ফংখি। খূদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোয় এম দেনিনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি। মেটচ অদুগী ২০শুবা মিনটতা এফ সী তেন্থাগী এম নেপোলিয়ননা মখা তানা পাঞ্জল অমা চনখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এফ সী তেন্থানা পাঞ্জল ৩-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা টিম অনীমক্না মখা তানা পাঞ্জলশিং চন্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু এফ সী তেন্থানা পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাকখিবনি।

মতম শাংনা লেপ্লুরবা মতুং ঙসি টুর্নামেন্ট অমুক হন্না হৌদোকপগী থৌরম অদুদা হান্নগী মিনিষ্টর ডা. এম নরা, ৱাই ভি এ ৱাংজিংগী এদভাইজর ডা. এন রজিভ কুমার, ডা. এল প্রেমানন্দ, ডা. এন জি দেবকর্না, টি সোমোর্জিৎ অমদি এন বিনোইনচিংবনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# আই পি এল : রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলুরুনা রাজস্থান রোয়লসপু রন ১১দা মায়থীবা পীখ্রে



**বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ২৫(এজেন্সী):** ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মশিংদা হৌজিক-হৌজিক চথরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল)গী ওইনা ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলুরুনা রাজস্থান রোয়লসপু রন ১১দা মায়থীবা পীখ্রে।

বেঙ্গলুরুদা লৈবা এম চিনাস্বামি ষ্টেদিয়মদা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস রাজস্থান রোয়লনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলুরুনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলুরুনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ফিল সোল্ট অমসুং ভিরাট কোহলিনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপনর বেটসমেন ওইখিবা ফিল সোল্ট বোল ২৩ মায়োক্লবদা রন ২৬ লৌরম্লগা ৱানিন্দু হাসরঙ্গগী বোলদা সিমরোন হেটমায়রনা ওক্তুনা আউট ওইখি। অদুগা অতোপ্পা ওপনর বেটসমেন ভিরাট কোহলিনা হৈন-শিংনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা বোল ৪২ মায়োক্লবদা রন ৭০ লৌদুনা টিমগী রন মশীং য়ামহন্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। মখোয়গী মতুংদা থোক্লকখিবা বেটসমেন দেবদট্ট পরিকলনা বোল ২৭ মায়োক্লবদা রন ৫০ অদুগা টিম দেভিদনা বোল ১৫ মায়োক্লবদা রন ২৩ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন রাজট পটিদারনা বোল ৩ মায়োক্লবদা রন অমখক্তমক লৌরম্লগা আউট ওইখ্রবসু মহাক্কী মতুংদা থোক্লকখিবা বেটসমেন জিটেশ শর্মানা বোল ১০ মায়োক্লবদা রন ২০ লৌদুনা হৈন-শিংনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা অপীবা ওভর ২০ লোইবা ফাওবদা আউট ওইদনা লৈবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলুরুনা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ২০৫ লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, রাজস্থান রোয়লসনা টার্গেট রন ২০৬ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা য়াসসভী জাইস্বাল অমসুং ভাইভব সুরিয়াবন্সিনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। হৌগৎলকপদা মখোয় অনীনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংগী এটেক মায়োক য়াদুনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা টার্গেট রন য়ৌহন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরমখি। য়াসসভী জাইস্বালনা বোল ১৯ মায়োক্লবদা রন ৪৯ লৌরমখি। অদুগা ভাইভব সুরিয়াবন্সিনা বোল ১২ মায়োক্লবদা রন ১৬ লৌরমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন নিটিশ রানানা বোল ২২ মায়োক্লবদা রন ২৮, রিয়ান পারাগনা বোল ১০দা রন ২২, দ্রুব জুরেলনা বোল ৩৪দা রন ৪৭ লৌদুনা টার্গেট রন য়ৌহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংলম্লবসু লেমহৌরিবা টিম অদুগী বেটসমেনশিংনা রন লৌবগী চাং নেমখিবনা মরম ওইরগা অপীবা ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৯৪দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলুরুনা রন ১১দা মায় পাকখিবনি।

টিম অনগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলুরুগী জেশ হেজলৱুদনা তাখি। মহাক্না ওভর ৪দা ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, ঙসিগী ওইনা অথেংবদা চেন্নাই সুপর কিংস অমসুং সনরাইজর্স হায়দরবাদকী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখ্রে। মেটচ অসিগী চেন্নাই সুপর কিংসনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নবা হৌখিবনি।

# মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা মেদল ১৫ লৌদুনা ৩শুবা মফম কনবা ঙমখ্রে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ১১দগী হৌরগা ১৫ ফাওবা এ আই পি এস সী বিগী মীৎয়েং মখাদা কেরলা পুলিসনা শীন্দুনা কোচিদা লৈবা রজিভ গান্ধী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা অহানবা ওল ইন্দিয়া পুলিস বেদমিন্টন ক্লষ্টর (বেদমিন্টন এন্দ টেবল টেন্নিস) মেন এন্দ ৱিমেন চেম্পিয়নশিপ ২০২৫দা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা টেবল টেন্নিসকীদা গোল্ড ৪, সিলভর ৫, ব্রোঞ্জ ৬ পূন্না মেদল ১৫ লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা ইভেন্ট অসিগী ওইনা ওভরওল সেকেন্দ রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রে।

ইভেন্ট অসিদা মেদল লৌবা ঙমখ্রবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টিং ক্লবকী শান্নরোয়শিং অদুদি গোল্ড মেদল অনী লৌখ্রবা লাইশ্রম বিক্রম (মেন্স সিঙ্গলসকী চহী ৪০ মথক অমসুং মিক্স দবলসকী চহী ৪০ মথক্কী কটাগোরি), ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী চহী ৫০ মথক্কী এস মণিতোম্বী, ৱিমেন্স দবলসকী চহী ৫০ মথক্কীদা মণিতোম্বী অমসুং মধু কশ্যাপকী পুংবানি। সিলভর মেদল লৌখ্রবশিংনা মেন্স সিঙ্গলসকীদা রাজকুমার বিক্রমজিৎ (এম পি এস), মেন্স দবলসকীদা বিক্রমজিৎ অমসুং আর ইলানকোগী পুংবা, ৱিমেন্স সিঙ্গলসকীদা কে সুন্দরবালা, দবসলকীদা ধনপিয়ারী অমসুং কল্যানীগী পুংবা, ৱিমেন্স টিমগীদা সী ঐচ নরস্মী, ধনপিয়ারী চনু, মণিতোম্বী, কল্যানী চনু, থাজগী টিমনি।

# কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫(ঐচ এন এস):** এম এস কে এগী মীৎয়েং মখাদা য়ং গাইদেন্স ক্লব চীংমৈনা শীন্দুনা ৫১রক শুবা জুনিয়র মণিপুর ষ্টেট বোইজ এন্দ গর্লস কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ ২০২৫ ঙসি ৱাই জি সী ক্লব গ্রাউন্দদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা হৌদোকপা নুমিৎকী অহানবা মেটচতা এস এল ৱাই দিওনা ৱাই জি সীবু মায়থীবা পীখ্রে। থা অসিগী ২৮ ফাওবা চথগদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এস এল ৱাই ওনা পোইন্ট ৬০দা অদুগা ৱাই জি সীনা পোইন্ট ৫৪ ফংবা ঙমখি।











## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1456

**Valentin Dragnev (1906) - Matthias Blübaum (2606)**
**Freestyle Friday Chess.com (2), 2025.02.28**

1.f4 f6 2.Nbc3 e5 3.fxe5 fxe5 4.e4 Nbc6 5.Ne3 Ne6 6.O-O-O O-O-O 7.Kb1 Bc5 8.Ned5 Bxg1 9.Rxg1 Ned4 10.Qg3 Qg6 11.Qe3 Be6 12.Bc4 Rhf8 13.Na4 b5 14.Nc5 bxc4 15.Qa3 Kb8 16. ...

**QUESTION :** White to win

### Puzzle 1455 Solution :

**48. ...Qf5 49.Kh4**
*49.Qf4 Qxf4 50.Rxf4 Rxf4 51.gxf4 e2 52.Kg4 h5+ 53.Kxh5 e1=Q*
**49. ...e2 50.Rf4**
*50.Rg5 Qf3 51.Re5 Rh6+ 52.Kg5 Rh5#*
*50.Re4 Kg8 51.Re8+ Kf7 52.g4 Qf1 53.Qe3 e1=Q+ 54.Qxe1 Rh6+ 55.Kg5 Qf6#*
*50.d6 e1=N 51.Qa1 Qf1 52.Rf4 Ng2+ 53.Kg5 Qxa1*
**50. ...Qxf4+** *Opening the line from e1 to h4. Opening the line from g1 to g5. Opening the line from g6 to g1.* **51.gxf4**
*51.Qxf4 Rxf4+ 52.gxf4 b5 53.Kg4 e1=Q*
**51. ...e1=Q+ 52.Kg5 Qg1+ 53.Qxg1**
*53.Kxf6 Qxd4+*
**53. ...Rg6+** *The black rook skewers White's king and queen.* **54.Kf5 Rxg1**
**0-1**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com